# ২০১৪ গী ইঞ্চিওন এসিয়ন গেমসতা ইন্দিয়াগী নুপী হোকি টিমনা ব্রোঞ্জ মেদল অমা ফংলকখি

২০১৪ গী ইঞ্চিওন এসিয়ন গেমসতা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী নুপী হোকি টিমগী শান্নরোয়শিংদি - সবিতা, দীপ গ্রেস ইক্কা, দীপিকা, সুনিতা লাক্রা, নমিতা তোপ্পো, জসপীট কৌর, পুখ্রম্বম সুশিলা চনু, মোনিকা, রিতু রানী, লিলিমা মিঞ্জ, অমন্দিপ কৌর, থোকচোম চনচন দেবী, রানী রামপাল, পুনম রানী, বন্দনা, কাটারিয়া, নবজোট কৌরনি। হায়রিবা গেমস অদুদা জপানবু ২-১ দা থোইরগা ব্রোঞ্জ মেদল লৌরকখি।



ইন্দিয়াগী নুপী হোকিগী মতাংদা নৌহৌননা নীংশিংলম্বা য়াবদি, কুমজা ১৯৮০ গী মোস্কো ওলিম্পিক্সতা শরুক য়াবা ফংখিবা অদুগী মখা তারকপদা, মতম শাংনা ইন্দিয়ন ৱিমেন্স হোকি ওলিম্পিক্কী ক্বালিফাইদ ওইবা ঙমখিদে। অমরোমদসু, হায়রিবা চহীদুদগী ইহান হানবা ওইনা নুপী হোকি অসি ওলিম্পিক গেমসকী মশান্না অমা ওইরকখিবনি। অহানবা ওইনা রাউন্দ রোবিন বেসিসতা শান্নখিবা অদুদা জিম্বাবৱেনা গোল্ড মেদল, জেকোস্লোভাকিয়ানা সিলভর অদুগা সোভিয়েটনা শেঙ্গেংগী মেদল লৌখি। ১৯৮০ গী মোস্কো ওলিম্পিক্স অদুদা ইন্দিয়ানা মরিশুবা তারকখি। মদুগী মতুংদগী চহী ৩৬ চুপ্পা ইন্দিয়াগী নুপী হোকি টিম ওলিম্পিক্সকী ক্বালিফাইদ ওইবা ঙমখিদে। অদুবু ২০১৬ তা পাঙথোকখিবা রিওও ওলিম্পিকতা মতম শাংনা গেপ লৈরুবা মতুংদা ওলিম্পিক ক্বালিফাইদ ওইবা ঙম্লকখিবনি।

এসিয়ন গেমসকী মতাংদা খরদং পল্লম্বা য়াবদি, ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা 'মাপলশুবা এসিয়ন গেমস ১৯৮২' দদি ইন্দিয়াগী নুপী হোকি টিমনা সাউথ কোরিয়াবু থোইদুনা সনাগী মেদল লৌবা ঙমখি।

অদুগা ইন্দিয়াগী নুপী হোকি টিমদা মণিপুরী নুপীমচাশিংনা শরুক য়াবা হৌরকখিবসিদি ১৯৯৩ দগীনি। অহানবা ওইনা, কুমজা ১৯৯৩ দা মলেসিয়াগী কোলা লম্পুরদা পাঙথোকখিবা 'ফর্ষ্ট জুনিয়র ৱিমেন্স এসিয়া কপ' তা মণিপুরদগী মনোরামা গোস্বামী অমসুং ক্ষেত্রিময়ুম তিঙ্গোংলৈমনা শরুক য়াবা ঙম্লকখি। হায়রিবা এসিয়া কপ অদুদা ইন্দিয়াগী নুপী হোকি টিমনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংলকখি। মসিগী মখা তারকপা ওইনা, ইন্দিয়াগী নুপী হোকি টিম মালেমগী মমিং লৈবা টেষ্ট

**রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**
**হঙ্গৎনা য়েংলুবদা এসিয়ন গেমস**

সেরিজ কয়ানা মথং মথং শরুক য়াবা ঙম্লকখি। মৈতৈ নুপীশিংসু ইন্দিয়াগী ৱিমেন্স টিমদা মশিং হেন্না য়াওরকখি। ১৯৯৪ দা পাঙথোকখিবা 'হিরোসিমা এসিয়ন গেমস' তসু ক্ষেত্রিময়ুম তিঙ্গোংলৈমা অমদি ৱাইখোম সুরজলতা শরুক য়াদুনা শান্নরকখি। ইন্টর্নেসনল থাক্কী টুর্নামেন্ট, টেষ্ট সেরিজ কয়াদা য়াওদুনা শান্নবা ঙম্লকপা, লোয়ননা ইন্দিয়াগী মেদল পুরকপদা মশক থোকপা শান্নরোয় ওইরকপদগীদি, মণিপুরগী হোকি শান্নরোয়শিং, ৱেষ্টর্ন রেলৱেদা থবক চঙবগী অয়াবা ফংলকখি। ষ্টেটসিদগী ইহান হানবা ওইনা ৱেষ্টর্ন রেলৱেদা হোকি শান্নরোয় ওইনা থবক চঙখিবসি, মনোরামা গোস্বামীগা তিঙ্গোংলৈমা চনুগনি। 'ফর্ষ্ট এসিয়া কপ' তা ব্রোঞ্জ মেদল অমা পুরকখিবা, লোয়ননা মৈতৈ নুপীশিংগী পর্ফোমেন্স খঙলকপদগী রেলৱেনা অতৈ মণিপুরী হোকি শান্নরোয়শিংদসু অখন্নবা মীৎয়েং থম্লকখি। অদুগা ১৯৯৪ গী হিরোসিমা এসিয়ন গেমসতা ইন্দিয়াগী নুপী হোকি টিম মরিশুবা পোজিসন তারগা হল্লকখি। অদুবু, ১৯৯৮ গী '১৩ শুবা বেঙ্কোক এসিয়ন গেমস' তদি সিলভর মেদল ফংলকখি। লোয়ননা ২০১৪ গী ইঞ্চিওন এসিয়ন গেমসতনা ব্রোঞ্জ লৌরকখি। মণিপুরগী তিঙ্গোংলৈমা, সুরজলতা ইন্দিয়ন ৱিমেন্স হোকি টিমগী কেপ্টেন অমদি ভাইস কেপ্টেন ওইনা মশক থোক্লা শান্নরম্বা প্লেয়র ঙাক্তনি।

অমরোমদা, ষ্টেটসিদগী হোকি মশান্নদা অহানবা ওইনা ২০০১ দা তিঙ্গোংলৈমা অর্জুন এৱার্দকী মনা ফংখি। অদুগা ২০০২ দগীনা ২০০৪ ফাওবদা, ইন্দিয়ন হোকি টিমগী সিনিয়র কেপ্টেন ওইনা মঙারক মমিং লৈবা টুর্নামেন্ট কয়াদা শান্নবা ঙমখিবী, ৱর্ল্ড কপ য়াওনা, এফ্রো এসিয়া কপনচিংবদা অচৌবা মফম কনখিবী ৱাইখোম সুরজলতাসু কুমজা ২০০৩ দা ইন্দিয়াগী লেমজনিংঙাই ওইরবা মনা অর্জুন এৱার্দ ফংবা ঙমখি। তিঙ্গোংলৈমা, মনোরামা, সুরজলতা, সঙ্গাই ইবেমহলনচিংবগী মতুংদা মশক নাইনা চোংথোরকখিবা মণিপুরগী নুপী হোকি শান্নরোয়শিংদি থোকচোম চনচন, লিলি চনু, পিঙ্কি, মনোরমা (জুনিয়র), সনরিক, রঞ্জিতা, পুখ্রম্বম সুশিলা, অনুরাধা, রেবিকা, প্রেমিলা ... অসিনচিংবনি। মখোয়শিং অসিগী মরক্তগী হেন্না মঙাল নাইবা ঙম্লকখিবদি পুখ্রম্বম সুশিলা চনু অমদি থোকচোম অনুরাধা দেবীনি। সুশিলা চনু, ২০১৬ কী রিও ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়ন ৱিমেন্স হোকি টিমগী কেপ্টেন ওইনা লুচিংখি।

*-মথং-মথং*


## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৭৫

১। ৱর্ল্ড কপ ফুটবোলগী পুৱারীদা অহানবা ওইনা মায়োক্নবা টিমগী শান্নরোয়না কাওথৎতুনা মখোঙ তেকখিবা শান্নরোয় অদুগী মমিং পীয়ু।

২। টিম অসিনা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল তরেৎলকশুবা ওইনা ফাইনেল ষ্টেজদা শরুক য়াবা মতমদা স্কুল ওজা অমবু টিম কোচ ওইহনবগী লমদম অদুগী মীওই খরনা য়ানীংখিদে অমদি টিম অদু মথং রাউন্দ চঙবা ঙমখিদে। টিম অদুগী মমিং পীয়ু।

৩। হিমা দাসকী মমাঙদা মমিং চৎখিবা অসামগী এথলেট অমগী মমিং পীয়ু।

৪। মহাক্না ওলেম্পিক্কী সনাগী মেদল ফংবা ঙম্লবদি কিলোমিটর ১৭৫ মখোঙনা চৎকনি হায়না ৱাশকখি। মহাক লমজেল অদুদা মকোক ওইখি। মহাক্কী ৱাশক অদু ঙাক্তুনা মখোঙনা কিলোমিটর ১৭৫ চৎলগা ফাটিমাগী লাইশঙদা চঙদুনা ভিরজিন মেরিবু খুরুমজখি। মহাক কনানো?



৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## য়ুজিনি বোকার্দ গষ্টাদ ওপনগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে



গষ্টাদ, জুলাই ১৯(এজেন্সী)ঃ স্বিজর্লেন্দগী সিচি গষ্টাদতা পাঙথোক্লিবা দব্লিউ টি এ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ২শুবা রাউন্দগী মেচ মায়পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

কনাদাগী শান্নরোয় য়ুজিনি বোকার্দনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক স্বিজর্লেন্দগী শান্নরোয় ৮শুবা সীদেদ ওইরিবী বিক্টোরিয়া গুলুবিচপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমদা টাই ব্রেক অনী শান্নরগা মায়পাকপা ঙমখি।

অহানবা সেট অদুদা শান্নরোয় অনীনা অমনা অমগী মায়কৈদা সার্ভিস গেম ব্রেক তৌদুনা লাকশিনবা ঙম্ন দবদগী গেম ৬-৬ থোইনদুনা টাইব্রেক শান্নখি। মদুদা কনাদাগী শান্নরোয় বোকার্দনা পোইন্ট ৭-২দা থোইদুনা সেট অমা মাংজিল থাখি। অনীশুবা সেট অদুসু মায়কৈ অনীদগী অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নরকপদা অমুক্কসু টাই ব্রেক শান্নরকপদা বোকার্দনা পোইন্ট ৯-৭তা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ক্বার্টর ফাইনেলদা কনাদাগী য়ুজিনি বোকার্দনা রশিয়াগী শান্নরোয় ভেরোনিকা কুদরমেটোভাগা লম্বা তৌনরগনি। কুদরমেটোভানা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেচতা টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা সীদেদ শান্নরোয় সার্ভিয়াগী ভিক্টোরিয়া কুজমোভাবু ৭-৬(৭-৪), ৭-৬(৭-৫)দা মায়থীবা পীরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ শান্নরোয় ফ্রান্সকী এলিজ কোহনেটনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেচতা স্বিজর্লেন্দগী সী পেরিনবু ৬-৩, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকখিবনি। মহাক্না ওষ্ট্রেলিয়া সমান্থ ষ্টোসুর অমসুং স্বিজর্লেন্দগী পেটি স্নাইদর অনীগী অথোইবগা থেংনরগনি।

অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অমদা রশিয়াগী ঈ রোদিনা অমসুং জেক রিপব্লিক্কী এম বোন্দ্রোসেভাগা লম্বা তৌনরগনি। অদুগা লুজেম্বর্গকী শান্নরোয় এম মিনেলা অমসুং স্পেনগী এস সোরিবিচ টোর্মোনা মরিশুবা ক্বার্টর ফাইনেল অদু লম্বা তৌনগদৌরি।

## স্পেনগী ফুটবোল ষ্টার এন্দ্রি ইনিয়েষ্টা ভিসেল কোবি টিমদা শরুক য়াননবা জপান য়ৌখ্রে

টোকিয়ো, জুলাই ১৯ (এজেন্সী) ঃ রশিয়া ফিফা ৱর্ল্ড কপতা স্পেনগী মায়কৈদগী শরুক য়াখিবা শান্নরোয় এন্দ্রি ইনিয়েষ্টা জপানগী ফুটবোল ক্লব ভিসেল কোবিদা শরুক য়ানবগীদমক ঙরাং টোকিয়ো থুংখ্রে।




নীংশিংবা য়াই, স্পেনগী মিদফিল্ডর অমা ওইনা শান্নরিবা এন্দ্রি ইনিয়েষ্টানা চহী অসিগী মে ২৬ তা জপানগী টিম ভিসেল কোবিদা শরুক য়াগনি হায়না লাউথোকপা লৈখ্রবনি। জপানদা পাঙথোকপা অনৌবা ফুটবোল সীজন অদুদা শরুক য়াননবা ইনিয়েষ্টা মফম অদুদা য়ৌখিবনি। মমাঙদা স্পেনগী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব বার্সেলোনা এফ সীদা মতম শাংনা শান্নরবা মতুং স্পেন লৈবাক্কীসু অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা ইনিয়েষ্টা জপানগী ফুটবোল লীগতা শরুক য়াগদৌরি।

হয়েং ইনিয়েষ্টানা ভিসেল কোবি ফুটবোল ক্লবকী মায়কৈদা শরুক য়াদুনা অহানবা ট্রেনিং সেসন য়াওগদৌরি। ওসাকা সিটিগী নোভিয়া ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ২৫ দা প্রেস কনফরেন্স অমা শরুক য়াগদৌরি।

## মাইকেল ষ্টিক অমসুং হেলেনা সুকোভা টেন্নিস হোল ওফ ফেমদা য়াওখ্রে

ন্যু য়োর্ক, জুলাই ১৯ (এজেন্সী) ঃ মমাঙদা ৱিমব্লেদন টেন্নিস চেম্পিয়ন ওইরম্লবা জর্মনিগী মাইকেল ষ্টিক অমসুং জেক রিপব্লিক্কী নুপীগী দবলসকী গ্রান্দ স্লাম চেম্পিয়ন ১৪ রক ওইবা ঙমখ্রবী হেলেনা সুকোভা য়ু এস এগী রোদ আইলেন্দদা লৈবা ন্যু পোর্টতা লৈরিবা এ টি পি হোল ওফ ফেম ক্লাসিকতা মখোয়গী মমিং য়াওরগনি।

মাইকেল ষ্টিক কুমজা ১৯৯১ দা ৱিমব্লেদন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা মহাক্কী লৈবাক জর্মনিগী অতোপ্পা শান্নরোয় বোরিস বেকরবু মায়থীবা পীদুনা টাইটল ফংখি। মহাক্না ১৯৯৪ য়ু এস ওপনগী ফাইনেলদা এন্দ্রি অগাসিগী মখুৎতা মায়থীবা নংখি। লোয়ননা কুমজা ১৯৯৬ কী ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দ স্লাম ফাইনেলদা রশিয়াগী শান্নরোয় য়িবজেনি কাফিলনিকোবকী মখুৎতা মায়থীহৌখি। হৌজিক হৌজিক মাইকেল ষ্টিক জর্মনিগী সিটি হেমবর্গতা এ টি পি জর্মন ওপনগী টুর্নামেন্ট দিরেক্টর ওইনা লৈরি।

জেক রিপব্লিক্কী নুপী শান্নরোয় হেলেনা সুকোভানা দবলসকী কাংলুপতা চয়োল ৬৮ নম্বর ৱান ওইদুনা লৈখি। মহাক্কী কেরিয়রদা গ্রান্দ স্লাম দবলস টাইটল ১৪ রক লৌবা ঙমখি। মশাগী চহী ৫৩ শুরবী সুকোভানা টেন্নিসকী ইন্টর্নেসনল হোল ওফ ফেমদা মহাক্কী মমিং য়াওরকপা অদুদা অপেনবা অমসুং নোল্লুকপা ফোঙদোকখি। মহাক্না সিঙ্গলসকী মায়কৈদা কেরিয়রগী ওইনা টুর্নামেন্ট ১০ গী টাইটল ফংবা ঙমখি।

মমি ৱারী

# অন্টাইটল্ড

### অথোইবা সৌবাম





